# ৱারীমচা

## নোকফেৎকী মতূংদা

*কৈশাম প্রিয়োকুমার*

খোঙনেমদু চাউথোইহোয়গী লৌ য়ৈবগী খূলঙ চৎলুবদগী হল্লকপদা মঙায়রি। ফমেন্দা থারিবা ফক অদুদা ফমদুনা লেংয়ান খুঁদেদুনা মমায় মমীৎ নাম্থোক-নম্থোক্না খোইদুম্না ৱা মচেৎ অমতা ঙাঙদনা মায়োক্লনা থারিবা ফক অদুদা ফম্লগা য়াম্না মথ্বায় য়াওনা গঞ্জা শেম্লিবদুদা য়েংই। খোইদুমদু লৌ কামিন্নরক্লগা ময়ূমদা চঙদবমখৈ ঙাইহাক পোত্থামিন্নবা খোঙনেমগী মতূং ইল্লকপনি। লৌ য়ৈবা লোয়বদা নুমিৎ তাখ্রবনি। ঙসাইমখৈ ৱারুবদু হৌজিক্তিঃ ফক্তা নে তানা ফমথরবসিদদি পোইনুগী নিন্দুং মতূংগী অঙৈংবা খরা খরা ফাওরকপগা খোঙনেমদু মশা খরা তেকখৎলকই।

খোমনেম, ঙাইহাকসিদা মচানুপা তোম্পোক্তু পাক লাকখিরোই হায়না খল্লি। মহাকসু চাউথোইগী লৌ য়ৈবদু য়াওবনি। ফৌ বোরাশিংদু খুলগী লম্বী তম্না লৌবুক লময়ায়দগী থাঙদোরক্লগা অমুক ষণগাড়ীদা হাপ্তুনা চাউথোইগী ময়ূমদা চিংদৌরিবনি। অদুদগী অমুক মখোয় মঙা তরুক কদায়দনো ফমখৈ ফম্লুরগা মখোঙ কারল থাংলগা হল্লক্কদৌরিবনি। খোঙনেম্না খল্লিবসি, মচানুপাদু লাক্ত্রিঙৈদা তুমহৌবা অসিনি।

হঞ্জিন-হঞ্জিন হৈজ্রাংনা নোইর-কক্ল, নোইর-কক্ল তৌরবা গঞ্জাদু মৈরূ হাপ্লবা কংক্রুদা হাপচিল্লগা খূবিনা তপ্লপ নমদুনা খোইদুম্না খোঙনেমদা লানশিল্লকই। মৈ চম্মী। খোঙনেমদু, খোঙনেম কৌবগী ৱানি, তশেংবদি ৱাং চাউই। মখূৎ মশাদু তচাউ তচাউই। মখূৎ অদুনা কংক্রুদু পায়বদা শাফিগা কোন্নবা কংক্রুদু মশক উদে। উরিবা হায়ববু ঙাঙশঙ ঙাঙনা চাক্লিবা মৈ অদুতনি। মানা ফল্লিবা খূৎফম অদুসু খোঙ্গ্রাই ফজনা চল্লগা ময়াংলেন চপ তিংই। মঙক্তু খজিক্তং পৈথরপ, মমীৎ উইথরপ মমীৎ উইশিন্দুনা খপ খপ্তুনা ফনা কুইনা চিংলুরগা মৈখুদু তপ্না তপ্না থাদোরকই। অদুদগী খোঙনেমদু ঙসাইমখৈ শকফম হঞ্জিন্দুনা লৈরম্বদগী নোকফেৎ তৌরকই। খোইদুম্না য়েংবা নুংঙাইরিবসি খোঙনেম্না মমীৎ উইরুম উইরুম নোকফেৎ তৌবসিনি। অৱা-অনা হায়বদু অমতা লৈতবা, তাইবঙপান অসিবু পূম্নমক খঙলবা, উরবা মওংগী খূৎনোক্লি। মী উশিত্তবগী, করেম্নবগী, নোক্লবগী মমি অমসু তারিবদু খোইদুম্না উই। নোকফেৎ অদুম তৌনা কংক্রুদু খোইদুমদা পীরগা তপ্না হায়রকই, “বন্ধু, মাগী চাউথোই হায়সে ফৌদি খরা হাপচরেনে হা?”

খোইদুম্না কংক্রুদু চিংলমদায়দা খুম্মী, “ইথা থাজদনা ঙসিগীদু, পরীদুদা ফৌবোৎ য়াঙ্খৈ হেন্না থোকই। শঙম অনীমসু য়ৈগদবা ৱাৎলি। বন্ধুনা মঙোন্দা য়োনখিবা লৌফমদু থাদনা।”

“ঐনা মঙোন্দা য়োনখিবা লৌ শঙমদুনা থোক্কে থোক্লবদা ফৌবোৎ মঙা তরুক মঙায়।”

পুলিস কন্সটেবল চোম্লপ্না থবক খনগদৌরি তাবদুদা মচানুপা তোম্পোক্লা ইস্কোল য়োল্লগা থবক চঙহৌনবা মঙোন্দা গৃ গৃ তকখি। অহানবদদি মচানুপাগী ৱাদু না-ওইননা তাখিদে। চৈবু চৈখিবনি।

“মীঙোন্দা শেল পীননবা ইস্কোল য়োল্লগা ঐখোয়না কদায়দা লৈবা? কদায়দা লৈগদৌরিবনোবা হা?”

“ইস্কোল য়োন্দ্রদি বাজিনা লুপা লাক্ষ ৫ দু পুথোক্লোদনা” শাউরপ্না তোম্পোকসু হঙ্গৎনা খুল্লকখি।

খোঙনেমসু ঈ কারক্তুনা হায়খি, “ঐদি নপাদগী কোৎলুদৌরিবা? নত্তে, মেত্রিক মরিরক থারগা কদায়দগীনো মীঙোন্দগী শিন্দুনা হূরান-চীম্থি তৌরগা চি লাউনা পাস তৌবা নঙবু কনানা থবক খন্দৌরিবা? চারি থক্লিবা চীঞ্জাক মতাদুগা।”

তোম্পোকসু চাউনা খুল্লকখি, “পৈশাবু পীরবদি খল্লে। পৈশাদুদা পীয়ু।”

ফনা লাউনা-খোৎনা তৌরবা মতূংদা খোঙনেম শাউনীংবা পূম্বা ফাথরগা তপ্না হায়খি, “নঙনা য়োনগে হায়রগা লৌ শঙম অমা লৈরিসি য়োনদৌবা মঙাই।”

“এ! লৌশীৎ লৌকূৎতুবু কনানা লৈবিদোইবা? লুপা লাক্ষ ১ ফাওবা শীৎলোইদৌবা, ফৌবোৎ মঙা তরুক ফাওবা থোক্তবা লৌফমদুবু?”

মখা য়াম্না তানখি। খৎনখি। লাউনখি। কুইরে, চীংজিন থা অদুৱাইদনি।

“বন্ধু, ঐখোয়গা হৌমিন কামিন্নরকপশিংগী মনুংদা চাউথোই অসিসু মরায়বক লৈবা নুপা অমনি। মহাক মতোমতনিনে ঐখোয়গী ইরক্তা কেরানি ওইদুনা থবক তৌখ্রিসে। হৌজিক্তি শেলসে খরা পায়রবনিনা ৱাঙাঙ শঙাঙসে খরদি খেন্নরে” কংক্রুদু মথক মখা ওন্থোক্তুনা তাম্বীদু হৈদোক্লগা অনৌবা হীদাক শেম্না শেম্না খোইদুম্না হায়রকপনি।

“ঐঙোন্দদি উশিত্তবা য়ারোই। মাগী লৌ য়ৈবা য়াওরিবসে মানা হায়জমনবদগী য়াওরিবনি। খুঞ্জা মশেলনি, তিন্নরকপনি হায়দুনা য়াওরিবনি। মীনা উশিত্তবা য়াবা নুপা নত্তেদা... মেত্রিক অনীরক থারগা উচিন নাচিন্না পাস তৌরগা কদায়দনো কেরানি মচা অমা ওইবা মাবু করিগী উশিত্তোইনো? ঐখোয়সু ক্লাস নাইনদা ফেল ওইরমদ্রবদি মেত্রিক্কা হায়দো পাস তৌরমগনি।”

খোইদুমসু পোঙনা খুল্লকই, “মানি বন্ধু, মানা উশিত্তবা য়াপোৎ নত্তে ঐখোয়দা।”

অনৌবা হীদাক হাপ্লবা কংক্রুদু খোঙনেম ফনা কুইনা চিংই। অদুদগী মৈখুদু মমীৎ উইশিল্লগা তপ্না তপ্না থাদোকই। খোইদুম্না উবদা ৱাখল অরুবা অমা খনবা মাল্লি। তশেংবদি খনবা নত্তে, নীংশিংবনি।

তোম্পোক্লা মথং মথং লান তৌরকখি। মহাক্কী অরোইবা তেন অদুনি খোঙনেমগী থম্মোয়দা পানখিবা। তোম্পোক্লা হায়খি, “লাইবক য়েংহৌগে হায়বনি, বাজি। মাম্মা চাউথোইহোয়না হৌজিক নুংঙাইরিবসি থবক অমা তৌহৌবদগী নৎত্রো? ঐসু বাজিদৌনা হাতে-হাতে শূরগা গঞ্জা থক্তুনা পুন্সিসে লেল্লু হায়রিরো, ৱাজাউ ঙাঙলগা?”

খোঙনেম শাউবনা মৈ হৌরকখি। মখূৎতা পায়রম্বা কংক্রুদুনা থাখি। পালহৌদে। লাইবক ফদুনা তোম্পোক্তা পালহৌদে। কংক্রুসু কায়হৌদে। নুমিদাংৱাইরমদদি ৱাখল খরা ঈংথরক্তুনা মপানা থম্বীরম্বা লৌ অদু য়োন্নবা খোঙনেম কোয়হং হংবা চৎখি। নুমিৎ মঙা তরুক্লিনি লৈবীনবা মী থিখিবা। কনাসু ফংখিদে। য়ারকখিদে। মমৈদা চাউথোইদা তক্লখি। মচানুপাগী ৱারী পূম্বা তমখি। চাউথোইদু পৈশা লৈতে হায়দুনা ৱাশক্তুনা য়ারকখিদে। খোঙনেম খঙখি, কনানা লুপা লাক্ষ ৫ য়ারক্কদগে? মঙাদগী অহুম ফাওবা অমুক শোনখি। মদুদসু য়াখিদে। মখা তানা অমুক শোল্লগা লাক্ষ ১ বু শীৎলবদি য়ারে খন্দুনা শোনগে তৌবদা লাক্ষ ১ দি কৈদৌরুনি খন্দুনা তোকখি। শোল্লমদনা ময়ূমদা হল্লকখি। নুমিৎ মরি-মঙানিগী মতূংদনি চাউথোইনা ময়ূমদা লাক্তুনা লাক্ষ ৩ দা লৈবা য়োনবদা য়ানখিবদু। ‘তোম্পোক্কী থবক্কীদমক্তনি হায়বদুদা নুংঙাইতদুনা মতেং পাঙনীংদুনা তৌবনি, শেলগা লৈদুনা তৌবা নত্তে, খঙন-চান্নবদগী পূবনি’ হায়রম্বনি। খোঙনেমদু মাগী নোকফেৎ তৌবদু নত্তনা থাগৎপবু ওইরো নুংঙাইবা ফোঙদোকপবু ওইরো ৱাহৈ অমত্তা হায়হৌদে।

“বন্ধু থায়না, থায়না হায়বা তারে, ঐখোয়না লাইরিক তম্মীঙৈ মতমদো, চাউথোই পল্লকপদা নীংশিংলকই। ঐখোয় পুল্লপ পুল্লপ আ... তেরা তান্না চীংখোঙ স্বাইদগী সাইকলনা পূং ১০ নংননবা থৌনবদো। বন্ধুহোয়গী মাম্মগী সাইকল চীদেকপীদু নীংশিংলকই” খোইদুম্না ঙাঙলকপদা খোঙনেমদু মমিৎ মনা শিংই।

নোকফেৎ তৌরগা হায়রকই, “সাইকলদো? ওৎলিখৈ চেল্লু য়াদবা, চেননা পংতাদা তাবা। বাজিদা সাইকল অহনবা অমা লৈবিয়ু হায়রুবদা ষণগাড়ী অনৌবা অমা ওইনা পানখৎপীগে হায়রকখি। ঐখোয় বাজিদু বন্ধু শিংবদি শিংবজাৎনি। লাইরিক্কী মী নত্তে, ওইরোই খঙখিবজাৎনি। ঐখোয় ময়াম্বসু লাইরিক তম্বা তোক্লখিদনা? কনানবু ইম্ফাল তান্না নুমিৎ খুদিংগী সাইকলদা চৎপদুবু বন্ধু তন্দ্রনে?”

“তনখ্রপোৎনি। কালেন্দনা শাখ্রবা! কনানা ঙমজরুগবনো। নোংজুথাদা মাইল মাপল-তরা হঙ্গৎ-হন্দা স্কুল কারুরগা কনাগী লাইরিক্কা পানীংবা হায়য়ে।”

মমীৎ উইরুম উইরুম হন্দকসু নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরগা খোঙনেম্না মখা তারকই, “বাজিদু নুংশিরকই। মানা থম্বীরম্বা লৌ শঙম অমদু কান্নরেদনা। বাজিগী মপান্দগী, ঐমক লাইরিক হৈহৌদদুনা সরকারগী থবক তৌহৌদ্রবসু ইচাদি পুলিস ওইদৌবা মাল্লি। ... চাউথোইদু ঐবুদি কান্নে হায়ববু ... পঙশিংদি শিংবা মীদি নত্তে, বন্ধু। লৌশিংতুবু লাক্ষ অহুমদা লৈনে। মা তারদি শাউনি, পঙদি পঙখ্রেদা।”

অদুদগী খোঙনেমদু নোকফেৎ তৌরকই। মমীৎ উইরুম উইরুল্লদনা।

হন্দক্তি খোইদুমদু ৱাতা অমা তৌরকই, “বন্ধু, অদুবু মাগীসু মনুংদা অঙ্ক অমা লৈরমগনি। ইম্ফাল মচাগা সঙ্গ তৌবনিনা পঙলায়দি লায়রল্লোই।”

“হে হে! মানবু করি অঙ্ক লৈরমদোইনো?”

— ~~হন্দক্কী খোঙনেমগী মীনোক অদুদি খোইদুমগী~~ মমিৎতা ময়েক শেংনা ওন্থোক্লা ফজনা উখ্রে। মীৎকুপ খরা খোঙনেমদা মুন্না য়েংই। অদুদগী হংলকই, “তোম্পোক্কী থবক অদুনা, প্রধান্নবু করি হায়রিগে? ঐনা তাববু মানা ৱানোম্বীরিসি মী অনী অহুম শুমাল্লে।”

“ওইনি হায়রি। হেক ওইবগা অনী অমগা হাপ্লু হায়রি” হৌজিকসু খোঙনেমদু নোকফেৎ তৌরি। “কেশ খরা তৌনবদগী খরা থেঙথবনি। ভোট মমাঙদা হায়দোক্কনি হায়রি। মাসু এম এল এ, মন্ত্রি য়াম সঙ্গ তৌবনি মতৌ ইমান মান্দনা।”

“খনবু খল্লক্কবদি ফৈ। মীনদি করি করিনো য়াম হায়নৈ।”

“বন্ধু, তোম্পোক পুলিস ওইদৌরে হায়নবদুদা মীনা কল্লকপোই করিওই পঙহায় হায়নবা ওইরমগনিদা, বন্ধু।”

হন্দক্তি খোইদুমদু তুমিন লৈখ্রে। মতৌদুদা খোঙনেম্না ৱা থৈদুনা হায়রকই, “ইম্ফাল য়ৌবগী রেল লম্বীদু ঐখোয়গী মমাঙ লৌকোল অচৌবসি ফাওদুনা চৎপদা লেপ্লে হায়নে। ইম্ফালগী লৌ ঙাক্তনা অয়াম্বনি লৌকোল অসিদি। সরকারগী ক্ষেতিপূরন্দি লীকখ্রবনি। বন্ধু নীংশিংলিব্রা? সরকারনা আ লৌপাক অসিদা তৌখিবা ঈশিংখোংগী ককখিবা শেলদো?“

“লৌপাক অসি ফাওরদি প্রধানগা চাউথোইগগী লৌসু শোক্লনিবু বন্ধু।”

“লৌ ফাওরদি শোকপা তারেদনা। লৌদো পামখোদনা। নঙ ঐদি করি ৱানীংঙাই লৈগে? হা? বন্ধু।”

“বন্ধু চুম্মী। চুম্মী বন্ধু।”

“পরাউ অমত্তগা লৌখিসিরা?” খোঙনেম্না খোইদুমদা হংলকই।

তাঞ্জাদুদা তোম্পোক্লা ঙাঙ শত্তুনা কোম্থোঙলোমদগী চঙলকপদু নিন্দুং মতূংগী থাবল অদুদা ময়েক শেংনা মখোয় অনী উরকই। খোইদুমদু হীদাক শেমগে তৌরম্বদগী ফূক হৌগৎলকই। তফিং তফিং হায়রকই, “বন্ধু, য়াম্না থেঙলম্লেনে সিদি! থা কোক্তোন য়ৌদৌরে। ঐ চৎলগে। হয়েং চাউথোইগী লৌ য়ৈবদু হৌবা লাক্কে।”

পাউখুমগা ঙাইরমদনা খোইদুমদু প্রপ প্রপ থোকখ্রে। তোম্পোক্লা থেংনদনবা লাপ্লপ্না থৈরগা কোম্থোঙ লাম্থোকখি।

খোঙনেমসু গঞ্জাগী মপোৎ মচৈ ময়ামদু লোইশিল্লগা লালটেন্দুগা ইমুং চঙগে তৌবগা তোম্পোক্লা লৈয়েং ইফাই ফাইনা হায়রকই, “বাজি, থবক্তু ওইররোই হায়রিসিনি। থা মঙা-তরুক শুরবা, ভোট ময়াসু ওইরবা ’সি ফাওবা হায়দোক্ত্রবদি করম হায়না ওইদৌরিনো?”

তোম্পোক্তু মশাদু হাইরং তুরং মাঙ্গোল দারীদা ঙেক ফমথরকই। চুম্না ফম্বা ঙমদে। মশাদু তুদে হায়বদা মখাকই। মতৎ মতৎ মখা তারকই, “প্রধানগা খৎনরুবনি। হে হে মহাক্লা হায়ববু... ভোট মমাঙদা হায়দোক্ত্রসু মতূংদা হায়দোক্কনি হায়রদুনা... মানা তিন্নরিবা এম এল এ, মন্ত্রিদুবু ভোট অমুক হন্না কাগনিসু খঙদে, কারোইসু খঙদে... পৈশাগী ৱা হায়বদা... লাক্ষ ৩ দু হন্দোকউ হায়রসু... ঐখোয়না পীখিবা ৫০০ চৎপী, ১,০০০ চৎপীদু ওইনা হন্দোক্কেকা হায় শারিয়ে। হৌজিক মদুগী শেলয়েকশিংদু চৎনদ্রকানসিদা... মী ঐগী খূৎতা শিনি...।”

খোঙনেমদু মখা তানীংদ্রদুনা ইমুংদা চঙলে। মাগা ওনশিন্নদৌ শরুক অয়ূক ঙন্তাদা প্রধান উন্নরুগে খল্লি। তোম্পোক্তি মরোল মরৈ লৌফম খঙদবমখৈ ঙাঙহৌরি।

মথং নুমিৎকী অয়ূক চাকচা মতূংদা খোইদুমদু খোঙনেম হৌবা লাকই। খোঙনেম হেক উবগা খোইদুম্না হায়রকই, “বন্ধু, রেল লম্বীদু ককপদা চাউথোইগী লৌফমদু য়াওরে হায়নে।”

ঙরাং নুমিদাংদগী মখোয়দৌ শাউগৎতুনা লৈরম্বা খোঙনেমদু খঙহৌদনা কদোমদগীনো নোকফেৎ তৌরকই। নোকফেৎ তৌবদগী হেন্না করিমত্তা খুম্মক্তে।

“বন্ধুনা য়োনখিবা লৌবুক লৌশিং খা-ৱাং শারেং মতুপ্তু পুল্লপ ককখ্রে হায়।”

হন্দকসু খোঙনেমদু নোকফেত্তগী হেন্দে। হেল্লিবা হায়ববু মমীৎতু উইরুম উইরুম তৌরকপদনি। খোইদুম্না মখা তারকই, “অদুবু বন্ধু, চাউথোইদু ইম্ফালদা ক্ষেতিপূরন লৌরুনি হায়দুনা থোরকপদা মানা হায়রম্বদুবু, ক্ষেতিপূরনদুবু, লৌ শঙদা লুপা লাক্ষ কুনমঙানি হায়নে।”

খোঙনেম তারিবদু মঙলা খল্লকই। অকোয়বদা কোয়য়েং য়েংলকই। অমুক খোইদুমদা।

“ঐনা হায়বদুনি। চাউথোইদু অঙ্ক অমা লৈরমগনি। মাদি হান্নবু লৌদু কক্কনি, ক্ষেতিপূরনসু চাউগনি হায়বা খঙবা মাল্লি।”

খোঙনেমদু করিমত্তা খুল্লক্তবদুদা খোইদুম্না খোঙনেমদা য়েংলকই। হৌজিক্তা মমীৎ উইরুম উইরুম নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরম্বদুনা শকফম হঞ্জিল্লগা কদায়দনোমা শংত্রিক য়েংলি।

***(মণিপুরী শোর্ট ষ্টোরি সোসাইটি, ইন্দিয়াগী সিলভর জুবিলি সেলেব্রেসনগী সোভিনিরদগী)***

# তাবুনুংদগী

*মণিপুরগী অহানবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ‘‘মতমগী মণিপুর’’ এপ্রিল ৭,১৯৭২ দা মতম অদুগী সেনেমা হোল উষা সেনেমা, ফ্রেণ্ড টোকিজ অমদি ককচিংগী অজাদ সেনিমাদা নোংমদা পূন্না রিলিজ তৌখি। মপূং ফাবা ফিল্ম অমা ঈশৈ নোংমাই য়াওনা পুথোক্লকপদা মণিপুরীশিংগী মরক্তা অঙকপা, হরাউ-নুংঙাইবা পোক্লখি। ফিল্ম অসিদা শকখিবা মতম অদুদা য়াম্না পামখিবা এম কে বিনোদিনিনা শৈরেংবা, অয়েকপম কমলানা শকপা, শ্যাম শর্ম্মানা শৈরাংবা ঈশৈ অমগী ময়েক ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি*

## লাপ্ল-লোৎনা লৈয়ু

লাপ্ল- লোৎনা লৈয়ু,
নক্লা-নাক্তা লেপ্পু
নঙসে ঐগীনি ঐগী।।

হায়নীংবা হায়গে হায়জসনু
লৌনীংবা লৌগে লৌজসনু
ঙাওচৎনবী ঐদি ঙাওরবনি নঙগী
ঙাওরবনি ঐদি নঙগী, নঙগী, নঙগী।।

পামজৈ ঐনা ঐগী পুন্সি
নুংশিজৈ ঐনা ঐগী মপোক
খোয়দারুবা নঙতনা হায়খি
নুংশি নঙবু ঐনা নুংশি-নুংশি, নুংশি।।

লৈরবদি করিগুম্বা মীনা খঙদবা লমদম অমা
কনা খঙদনা কনা উদনা
লৈমিন্নগে খল্লি ঐনা, ঐনা, ঐনা।।

***ফিল্ম : মতমগী মণিপুর***
***শৈরেংবী : এম কে বিনোদিনী***
***শৈশকপী : অয়েকপম কমলা***

# মণিপুরী পাম্থে -পাউরৌ, পাউতাক

* **ওই! ঙম্বীরেদা! ঐবু নঙগী অউন্নাইরো।**
  - মীবু থাক হন্থনা খল্লগা থবক শীজিন্নগে তৌবদা শাউরক্তুনা ঙাঙলকপা।
  - হোয়া ফবা মরম ওক্লুবগী মৈচাক।
* **ও ঐগী হীদাকফুদো খোঙনা অমুক্তা কাওশিনবীরকউবা।**
  - থৌগল্লোন কায়দনা হৈ-শিংনা মথক থোংবদা থৌদাবা।
  - মতুনা মৱাদা থৌদাবদা মৱানসু খোঙনা কাউবমক্তি য়াদবনিনা মখূৎমক্লা পুশিল্লক্তুনা পীরকপদা হেক মতাই।
* **ওক্তবগী মাইবা লৈতে।**
  - শেম শাবদা মশক থোক্তবা, কান্নদবা অরেম্বা ওইবা।
  - লায়না অমগীদি হীদাক লৈরসু মী ফত্তবগীদি হীদাক লৈতে।
* **ঔরাইবদা কান্নদবদি জুৱারদনি।**
  - পোত্থানবা ঙাইহাক তৌবনা অমনি, ফত্তবা থবক অমা হায়রবদি জুৱার শান্নবনি।
* **ঔৱা কদোম কবো কদোম**
  - খঙদ্রবদা খঙদ্রিবা হীরমদু হঞ্জিন-হঞ্জিন হংবা, তৌফম লাকফম খঙদবা।
* **ঔবু ঔরাইদ্রবা সরস্বতীনা চানবীগদবা লৈতে (ঔবু ঔরাইদ্রবা ফগদবা করিনো)**
  - হোৎপু হোৎনদ্রবা, পাবু পাদ্রবদি লাইনসু চানবীরোই।

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

# চানক্য নিতি

- নিংথৌ, লমচৎ নাইদবী, যম, মৈ, হূরানবা, অঙাং, ভিক্ষারি অমসুং গ্রাম কন্টক (মী, শা, উচেক্লচিংবা ফুনহল্লগা কূম্মৈ শীনবা মী) নীপান অসিদি অতোপ্পগী অৱাবা খঙদবনি।
- অহল ওইরবী, করিগীনো হন্থনা য়েংলিবা? লৈমায়দা করি তাখ্রবগে? হায় অপঙবা (ঐগী) নহা ওইবগী মুক্তা মাঙখ্রে খঙদবরা?
- লিনশিংনা ননাক্তা লৈদুনসু, নহৈ য়ান্দবা ওইদুনসু, তিঙ্খং পান্দুনসু, পঙশন্দা শন্দোক্তুনসু, লৈখোম তৈদুনসু, থোইদোকপা অমা লৈত্রবসু, ননাক চঙঙমদবা ওইদুনসু হে কেতকী, ননম্না মরম ওইরগা নঙবু খ্বাইনা তিন্ননীংই। (অদুগুম্না) গুণ অমত্তং লৈবদা দোষ ময়াম মাঙবনি।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

# মণিপুরী পাউখোং

৩৩০. মী অমনা পোৎ অমা য়াম্থৎলে। পোৎতুনা হায় “ঐবু য়াম্থৎপীরেদো অমুকসু থৱায় পান্দনা য়ুংবীরেদো”-
৩৩১. লৈনুং বাবাজী আদগী এজাইজী তিন্নবা মরুপ ওইবা-
৩৩২. শমজেৎ অমগী ইস্কোলদা পাঙল অমনা মথী ফায়বা মথীগী পোৎতুনা মীওইবদদি কান্নবা-
৩৩৩. ঐনা পোকপা ইমা মতু হন্থনা পানবা-
৩৩৪. অশংবনা অমুনবদগী হেন্না হাউবা হৈ?
৩৩৫. পোৎ অমগী ঙৌথোকপা শরুক্লা ঙৌদবা শরুক্তগী হেন্না হাউতবা-

***পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমায় অসিদা ফোঙদোকচগনি।***

***মমাঙ নোংমাইজিংগী (২০-০১-২০১৯) পাউখোঙ ফোঙবা***

৩২৩. উরিক।
৩২৪. মোইথাপ মপুল অমসুং লংদুম।
৩২৫. থাশি অমসুং নোংমা পানবা।
৩২৬. উশোয়।
৩২৭. ষণনা শায়গুপ শায়বা।
৩২৮. লংগী তিনগী মরুম (মচা) কোকথোকঅম্মগা কুরাক্লা পায়খিবা।
৩২৯. ঙাপ্রুম।

# কান্ন-ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **ভিনগরগী কান্নবা চাংয়েংবিগে হায়রবদি?**

যূমদা শীজিন্নবিরিবা ‘ৱাস বেসিন’, ‘কিচন সিঙ্ক’ অমদি মখল-মখা চিনা ক্লেনচিংবগী পোৎলমশিংদা চুশিল্লকপদগী কোকহনবা ৱারবদি ভিনগর শীজিন্নদুনা শেংদোকপীয়ু।

* **মনা-মশিং থোংবদা মশাগী অশঙবা মচু মাঙহনবিরোই হায়রবদি?**

অশংবা মনা-মশিং থোং-থাকপীবদা নৎত্রগা ফূৎপিবদা মনা-মশিংশিংদুগী মহৌশাগী ওইবা অশংবা মচু অদু মাঙহনবিরোই হায়রবদি, মহাউদি ওল্লক্লোইদবগী চাংদা চম্প্রা মহী নৎত্রগা সোদা পাউদর খজিক্তং থাকচীনবিয়ু।

* **মমা ওইবীশিংনা খঙজীনবিয়ু (ক)।**

অঙাংগী মথী-ময়ুং চোৎ- তৈরবা নীংথা (হৌজিক্কানগী ড্যাপর ওইরবসু) গা তাইনরুবা উনশাগী শরুক্তা মচু ঙাঙশিন্না চাফৎলক্কদৌবগুম্বগী মওং লাক্লবদি ‘এন্টাসিদ’ মহী, হায়বদি মীয়াম্না চাকখাওকা শাগৎ-খোৎকৎলকপদা থক্লরিবা ‘মিল্ক ওব মেগ্নেসিয়া’ খজিক-খজিক তৈশিনবিয়ু।

* **মমা ওইবীশিংনা খঙজীনবিয়ু (খ)।**

পীক্লিবা অঙাংদা করিগুম্বা পোৎশক অনীগী মনুংদা অপাম্বা অমা খলহনবিগে অদুগা মদুদা মমা-মপা অহল-লমন ওইবিরিবনা অঙাংদুদা খলহনবিনীংলিবা পোৎশক অদু খলহনবিগে হায়রবদি খলহনবিনীংলিবা পোৎশক্তু অকোনবদা হায়বীয়ু। অঙাংদি পোৎ খনবদা অকোনবদা পাম্বরা হংলকপা পোশক্তুনা হেন্না পামগন্দুনা অকোনবদা হায়রকপা পোৎশক্তু পাম্না খল্লক্কনি।

* **মমা ওইবীশিংনা খঙজীনবিয়ু (গ)।**

পীক্লিবা অঙাংনা কপখৎলক্তুনা নীঙাই মতোইনা তৌরক্লবদি কাংখ্রোং পানবী গাড়ীদা (প্রাম ওইরবসু) তোংহল্লগা ইনবীয়ু, কপ্পা শোয়দনা তোকখিগনি, তুম্নীংলম্বা ওইরগসু তুমথজখ্রগনি। মদু নত্তদুনা অঙাংদুনা অদুম্মক কপ্তুনা লৈরগদি মশাদা নারক্লীংঙাই লৈবা মরম অমা নৎত্রগা অমা লৈরম্বা য়ারে হায়না লৌবীরগা চেকশিন্না য়েংশিনবীবা য়ারে।

*(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ‘‘কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু’’ দগী লৌথোকচবা)*

# শৈরেং

## পোত্থাফম খঙদবা

*- ইবোতোম্বী লোংজম*

নুংঙাইতেদা!
নুংঙাইতে,
ঙসিদি পূমচিক চিকই।।
বন্দসু লৈতে,
কার্ফিউসু থমদে,
কাংশীসু খীংদে,
মৈরা পায়বীসু চত্তে
ছাত্রগী রেল্লিসু লৈতে,
টিয়ার গ্যাসসু কাপ্তে
মীশি-মীনাসু তাদে।।

করিনো ঙসিসিবু
পূমচিক হেক চিকই
নুংঙাইতেদা, হৈনদে
লৈফম খঙদে, পোত্থাদে,
ইঞ্জিন্দু ঙংঙু হৌনা
রেডিওদু থাগৎলু লাউনা
ঐ তুমগে, পোত্থাগে।।

## ঐখোয়সু মখোয়নি

*- সোমেন সিংহ নেপ্রম*

পলেম পম্থৌ অনীনা
তম্বীরে ঐখোয়বু
মালেম অসিদা খোংদাজৌ।
অফ-ফত্তা খঙদ্রিঙৈ
লমজিংবীখি অফ-মায়কৈদা খূৎশমবী
তুংগী মীরোল ওইনবা।
চৎমিন্নখি মখোয়গা
হৈনা থাংবা হৈত্রিঙৈ
মখোঙনা ইখোঙ ওইদুনা।
ঙসি করি ওইরবা
মখোঙ পাল্লবা মখোয়দা
করিগী পিদ্রি পীনিংনা।।

## ইনফোর্মেসন টেক্লোলোজি

*- কামিনিকুমার*

অঙকপনি ইনফোর্মেসন টেক্লোলোজি
মতমসিগী য়ক লাউবা বিজ্ঞানগী পোথোক
মিত্রংগুম্না ঙক্লুবা পোৎশক
টুয়েন্টি ফার্ষ্ট সেঞ্চুরিগী এজেন্দা
ইনফোর্মেসন টেক্লোলোজি।।

নঙনা পোকথোরকপা নচাশিং
য়ু-ট্যুব, স্কাইফ, ফেসবুক
অফবা খল্ল-খল্লগা
লৌশিনগদবা জ্ঞান, তমশিনগদবা কান্নবা
লৌশিল্লুদনা অমত্তা
শীজিন্নরি অরানবা লম্বীদা।।

যৌবনগী মথোৎ কারকপা
লৈত্রিবা মপূং ফাবা জ্ঞান
ঙমদ্রিবা অচুম-অরাল খন্দোকপা
পাখঙ লৈশা কয়া
তাউদুনা ইরাংগী কৈথেলদা
য়েংহৈদ্রবা উহৈদ্রবা শক্তম কয়া
চিংশিন্দুনা মথম্মোয়দা
শীজিন্নদুনা অরানবা লম্বীদা
মাঙলে লমখাংদা অয়াম্বনা।।

অফবা অশেংবা সনাগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবা কয়া
কেম্নরে খাংঙুথক্তা
ঙকইকো নঙসে
খঙনরুবদগী লৈশাবী কয়ানা মোবাইল ফোনদা
পুন্সি পিখম্নখিবা কয়া
ইজৎ মাঙহনবীবা কয়া
মৌগী শীংদা চল্লবী কয়ানি
পাউতাক্লরে পাউচেদা মাঙখ্রে হায়দুনা
ওইরক্লি মথক মখা ওন্নবা সমাজ
ওইরক্লি থকসি খাসি লৈতবা তাইবঙ
ইনফোর্মেসন টেক্লোলোজিবু থাজবগী মহৈ।।

## মীগা নক্লবা

*- থৌনাওজম খম্বা*

তৎন-থানবা য়াদে
ঙমদে থাদোক্লবা অপাৎপগা অপুম্বগা
হুরানবগা ওইদা লোনচৎকা
নত্ত লমচৎকা ওক্তবগা।
ওইদ ঙাংবগা অফবা শাবগা
শাশিন্নবগা মালহনবগা।
লৈশাবী শাবিগা, মচা লৈতবা শাবগা
অখৎপিগা, অপাইবগা।
হিংচাবীগা, কোৎচাবগা
মীগা, নক্লবদি শানি।।

## মণিপুর বন্দ

*- প্রবীতা লোংজম*

কৌরি মণিপুর বন্দ
লেপ্পা নাইদে
নোংমগী হপ্তাগী থাগী
কালেন নুংশাগী, নীংথম উনলেনগী,
ইঙাগী নোংহৌগী ইঙেনগী নোংজুগী।
নাচুংবদি কনাসু য়াওদে
তৌবদবু মপান কয়া থোক্কন্দবশিংদুদি
থোক্লরকই মরী মরী
বন্দগী কূম্মৈ য়েংনবা
গাড়ী অচৌবতনি চৎত্রিবা
মৈ থাবিরক্কনি কীবনা।
বন্দ কূম্মৈ মরক্তা
পাখঙ লৈশা লাম্থেংনৈ মীৎচিনা
মরক্তুদা, নোংমগী চরা তাঞ্জবী
অমনা বন্দ কূম্মৈগী মতাইদা
ফিরুক খুম হিক-হিক কপচরিবদুদি
কনানসু উবিখিদে বন্দনিনা।।